### মাষ্টর্স এথলেটিক মীটকী ফেলিসিটেসন পাঙথোকখ্রে

# মতম অমদি শেল শীজিন্নবা নীংথিনা হৈরবদি মণিপুরনা মালেমদগী ইহেন হেনগনি : সাপম কুঞ্জকেশোর



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৫(ঐচএনএস): মতম অমদি শেল শীজিন্নবা নীংথিনা হৈরবদি মণিপুরনা শান্ন-খোৎনবদা নৎতনা হীরম খূদিংমক্তা মালেমগী লৈবাকশিংদগী ইহেন হেনগনি হায়না পাৎসোইগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী য়ুঠ হোষ্টেলদা পাঙথোকপা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক মীট ২০২২গী ফেসিলিটেসন ফঙ্কসনদা মহাক্না অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এনা হায়খিবদা, লমদম অসিগী অহল ওইরবশিংদা শান্ন-খোৎনবগী থৌনা অমা য়াওরিবা অসিনা তাকপদি হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াদা থৌনা অসি লেংদনা লৈরি তাকপনি। মসিমক্তসু নেসনল অমদি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংদা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা মেদল লৌরক্তুনা ষ্টেট অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্বনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা লৈবাক অসিগী চাউর-চাউরবা ষ্টেটশিং নাথৈরম্লগা ষ্টেট অসিদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপা অসিমকসু ষ্টেট অসিগী শান্ন-খোৎনবদা মাংজিল থাবা অমদি মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নবা অদুগী মহয়ননি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী লৈরিবা এসোসিএসনশিংদা অনী থোকপগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসিসু থোইনা হেন্না লুম্না লৌশিনবীরুনু, মদুগী মহুৎতা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নদুনা মাংলোমদা চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়না এম এল এনা মখা তাখি।

আই এস কোমগী চীফ এদিটর নাওরোইবম ফিলিপনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেটঅসিদা লৈরিবা স্পোর্টসকী এসোসিএসনশিংনা অনী থোকপগী চৎনবী অসি লৈহন্দনবা হোৎনসি। লো লৈবা লৈবাক অমা ওইবনা ঐখোয় পূন্না জুদিস্যারিনা লেপ্লকপা ৱায়েলদা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা অনী থোক্লিবশিং অসি পূনশিন্নবা হোৎনসি হায়খি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসননা শীন দুনা সেপ্টেম্বর ১০ অমদি ১১দা পাঙথোকখিবা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক মীট ২০২২দা এথলিট ৩০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

মীট অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মাষ্টর্স এথলিটশিংদা সর্টিফিকেট অমদি অচম্বা খূদোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রজনিকান্তনা থৌরম মপূ অদুগা ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম বোরমণি লৈমা, মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসনগী হান্নগী সেক্রেটরি আর কে চৌরজিৎ অমদি হেরোজিৎ জ্বেল্লরি ৱর্ক্স পুরানা বজারগী প্রোপ্রাইটর লৈমপোকপম হেরোজিৎ মীতৈনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

### কে এস ঐচ লৈহাও সুপর দিভিজন লীগ

# এল ৱাই এ ৱাঙু অমদি এ কে এস এ ককচীং খুনৌ দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৫(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা চথরিবা ২০শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগ ঙসি লমজাও গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা লাইফম য়ুঠ এসোসিএসন (এল ৱাই এ) ৱাঙু অমদি ওল ককচীং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএসন (এ কে এস এ) ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ককচীং খুনৌগী ঐচ ঙোঙোনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা য়াইফবনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি সী ঐচ সেমসননা ককচীং খুনৌগী সুশিল কুমার শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স স্পোর্টিং এসোসিএসন (য়ু বি এস এ) মান্তকনা জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ) ককচীং ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

মান্তক টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জোসেফ কোমনা ২ অদুগা লিননৈফুন কোম, এম দি রুহিট শাহ অমদি এম দি রিয়াজ খাননা অমমম্ চনবা ঙমখি।

জুভেনাইল এসোসিএসনগী গোলশিং অদুনা এস প্রমেশ, এম পাভেল অমদি ঐচ ওলিভরনা অমমম্ চনবা ঙমখি। জুভেনাইলগী ওলিভর অমদি এম অর্নোল্ড রেফরিনা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ২৭তা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ) ককচীং অমদি য়ুঠ ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন (ৱাই দব্লিয়ু য়ু) ককচীং, অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ বিগী সেনা এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীং অমদি কৈরক মখা সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (কে এম এস দব্লিয়ু সী) কৈরক থেংনরগনি।

### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# ফেলিক্স সাঞ্চেসনা য়ূম্বু টিম কটারবু খূমাং চাওশিন্না চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি



কটার নেসনল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা স্পেনিশ নেসনেলিটি ফেলিক্স সাঞ্চেস

## নুমিৎ ৫৫নিগী মতুংদা মীয়াম্না মীৎয়েং তাবা ফংলগনি

মমাংদা অমুক্তা ফাওবা লৈবাক অসিনা ১৯৭১দা নীংতম্বা ফংবদগী ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লাকখিবা কটারনা য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা ফংদুনা ফিফা মেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০২২দা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা বর্সেলোনাগী হান্নগী শান্নরোয় স্পেনিশ নেসনেলিটি ফেলিক্স সাঞ্চেসনা কটার টিমবু মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগী মাংলোমদা খূমাং চাওশিন্না চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

মশাগী চহী ৪৬ শুরবা ফেলিক্সকী করিয়রগী অয়াম্বা মতম কটারদা লৈরকখিবগা লোয়ননা ২০১৩দগী হৌদুনা মহাকপু কটার অন্দর ১৯ টিমগী কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখি। মদুগী মতুং ২০১৭তা সিনিয়র টিমগী এপোইন্ট তৌখি।



মীওই লিশিং ৪০গী কেপাসিটি ওইবা মমাং চহীগী ওক্টোবর ২১দা হাংদোকখিবা অল থুমামা ষ্টেদিয়ম

মহাক্কী লমজিংমখাদা কটার টিমনা ২০১৯দা এ এফসী এসিয়ন কপ লৌবা ঙমখি অমদি ২০২১দা কোনকাকেফ গোল্ড কপকী সেমীফাইনেল য়ৌনা চঙবা ঙমহনখি।

কটারনা নীংতম্লকপদগী চাং নাইনা কন্টিনেন্টল এসিয়া কপ শরুক য়াদুনা লাকখি। অদুবু ৱর্ল্ড কপ কেম্পেয়নগী ফাইনেল ষ্টেজদা মায়থীদুনা অদুম লাকখি। রসিয়াদা পাঙথোকখিবা ২০১৮ ফিফা ৱর্ল্ড কপসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি। কটারনা হন্দক য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা ফংদুনা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা অসিনা ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নদনা ৱর্ল্ড কপ শান্নবা অনীশুবা লৈবাক ওইরি। মমাংদা ১৯৩৪দা ইটলিনা ক্বালিফায়িং মেটচ য়াওদনা ৱর্ল্ড কপ শান্নখিবনি।

ফিফাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সেপ ব্লাট্টরনা কটারদা ২০২২ ৱর্ল্ড কপ য়ূম্বু ওইবগী অয়াবা লাউথোকপদা মীয়াম্না মহাকপু ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা কম্পিটিসনসু য়াওদবা অমদি ফুটবোলগী কলচর লৈতবা লৈবাক্তা হোষ্টিং রাইট পীবগী য়াম্না শাউনখি। মতুং তারকপদা ২০১৭তা কটার লৈঙাক্লা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী কন্দিসন ফগৎনবা পান্দমদা পায়খৎলকখিবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ২০১৯দা কটারনা অঙকপা ওইনা চাউখৎলক্তুনা এ এফসী এসিয়ন কপ ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

মদুগী মতুং কটারনা ২০১৯দা কোপা অমেরিকাগী হান্নগী চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট পেরাগুৱেগা শান্নখিবা মেটচতা ২-২দা দ্রো ওইখি। তোঙান-তোঙানবা মীয়ামগী ক্রিটিসিজম লৈনা-লৈনা কটারনা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা মখোয়না অঙকপা উৎপা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

কটার টিম অসিদা এক্সপরিয়েন্স নীংথিনা লৈরবা মশাগী চহী ৩১ শুরবা ইন্টরনেসনল মেটচ ১৬১ শান্নখ্রবা হাসন অল-হেদোসনা কটার টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা লৈবাক্কী মায় ঙাক্লবা হোৎনগদৌরি।

টিম অদুদা ইন্টরনেসনল মেটচ ১০০গী মথক্তা শান্নরবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় অহুম অবদেলকরিম হাসন, বৌঅলেম খৌখি অমদি করিম বৌদেফ য়াওরি।

কটার টিমগী স্কৱাদতা গোলকিপর ওইনা সাদ অল শিয়ব, মেশাল বর্শম অমদি সালা জাকারিয়া; দিফেন্দরদা রো-রো, তরেক সলমান, মুসাব খেদার, হোমাম অহমদ, বাসম অল-রাৱি অমদি জেসেম গেবর; মিদফিল্ডরদা মোহমদৱাদ, অব্দুলাজিস হাটেম, অলি অসাদালা, অহমদ ফদেল, মুষ্টাফা তরেক অমদি এব্দেলরহমন মুষ্টাফা; ফোরৱার্দতা অহমদ অলাএলদিন, মোহমদমুন্টারি, অক্রম অফিফ, ইস্মেল মোহমদ, খালিদ মুনির, অলমোস অলি অমদি নেফ অল-হাদ্রামিনা শরুক য়ারি।

কটারনা মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগী গ্রুপ এদা তাদুনা ইক্বেদোরগা ওপন্নিং মেটচতা নভেম্বর ২০দা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা থেংনরগনি। মথংগী মেটচতা সিনেগালগা নভেম্বর ২৫দা অল থুমামা ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি অমদি গ্রুপকী অরোইবা মেটচতা নেদরলেন্দসকা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা নভেম্বর ২৯দা লম্বা তৌনরগদৌরি।

| Date | Match Details | Venue |
| --- | --- | --- |
| November 20 | Qatar vs Ecuador | Al Bayt Stadium |
| November 25 | Qatar vs Senegal | Al Thumama Stadium |
| November 29 | Qatar vs Netherlands | Al Bayt Stadium |

# ষ্টেট পেনকেক সিলাট টিম এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ ট্রায়লগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৫(ঐচএনএস): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা স্রিনগরগী শের ১ কাশ্মীর ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওক্টোবর ১১দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা সিনিয়র এসিয়ন পেনকেক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌনবগী পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রায়ল সেলেক্সনগীদমক ঙসি মীওই ১৪না শাবা ষ্টেট টিম স্রিনগরগীদমক নোর্থ এ ও সীদগী লমথাদুনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ট্রায়ল অসি স্রিনগরদা ওক্টোবর ১ অমদি ২দা ইন্দিয়ন পেনকাক সিলাট ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবনি।

ষ্টেট টিম অসি কোচ কে ঐচ সোমেন্দ্রোনা লুচিংখি। শান্নরোয়শিং অদুদিনুপাগী কাঙলুপ্তা নাওরেম মিলন (কেজি ৪৫ মখা), য়াইখোম রুহিট মীতৈ (কেজি ৪৫-৫০), সিনাম চিংখৈ (কেজি ৫০-৫৫), সিনাম জিবন অমদি নাওরেম বোইনাও (কেজি ৫৫-৬০), হুইদ্রোম বিসন মীতৈ অমদি থৌনাওজম জোন্সন মীতৈ(কেজি৬০-৬৫), য়ুম্নাম রঞ্জন (কেজি ৬৬) অমদি সুমন্তা য়েন্দ্রেম্বম (কেজি৮১)নি।

নুপীমচাশিং অদুনা অহোংশাংবম সর্জুবালা (কেজি ৬০-৬৫), য়াইখোম অঞ্জলি (কেজি ৫৯), থৌনাওজম রিতা (কেজি৪৯) অমদি শমজেৎশাপম বিদ্যালক্ষ্মী (কেজি ৫৪)নি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল শ্যামকুমার অমদি সেক্রেটরি লাইশ্রম রঞ্জিৎনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট শ্যামকুমারনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ট্রায়ল সেলেক্সনদা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ শরুক য়াবা ঙম্নবা চাওনা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়খিবগা লোয়ননা মণিপুর টিমবু মায় পাকপা অশোয়-অঙাম য়াওদনা শরুক য়াবা ওইরসনু হায়না পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মহুৎ শিল্লগা য়াইফ থৌজাল পীখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা টেন্দিং অমদি সেনি আর্টিষ্টিক ইভেন্ট অনীমক্কী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা শরুক য়াগনি।

### দি এফ এ থৌবাল থর্দ দিভিজন লীগ

# কে এফ সীনা টি এফ সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২ ঙসি কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা কে এফ সী থৌবালনা টি এফ সী থৌবালবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই সন্তোশনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা কে এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এন রোহিটনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা অনীশুবা অমদি টিঐচ রোবর্টসননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা কে এফ সীগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মায় পাকখিবা কে এফ সীগী কে ঐচ খম্বতোন রেফরি টি ঐচ জেটিননা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা বূক তৌখিবনি।

রেফরি জোটিননা কে এফ সীগী কে ঐচ সটিশ অমদি টি এফ সীগী সুশিলসু শান্নবগী ৬৮ অমদি ১১শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই ঈ এস হৈরোক অমদি এফ পি এম সী খোংজোম ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

হৈরোক্কী গোল অনী অদুনা সনাজাওবনা শান্নবগী ১১ অমদি ৩৯ শুবা মিনটতা চনখি। খোংজোমগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ রিশিকান্ত অমদি এম য়োহেনবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৩ অমদি ৬১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এস ঐচ ইবোমচানা হৈরোক টিমগী বোইনাও অমদি খোংজোমগী এল বিক্কি শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা দাইরেক্ট রেদ কার্দ উৎতুনা মখোয় অনীবু ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। রেফরিনা অতোপ্পা হৈরোক্কী শান্নরোয় ৩ নোংশাবা, বোইনাও অমদি বিসেশোর শান্নবগী ৭, ২৫ অমদি ৭৪ অদুগা খোংজোমগী এস ঐচ মনিসনা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

### ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# সুর্জিৎকী গোলনা এল ৱাই এল এল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২৫(ঐচএনএস): এল সুর্জিৎনা অনীশুবা হাফতা চনখিবা গোল ২ অমদি সনখিল অঙোনা শান্নবা হৌরকপগী ১৩শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা এল ৱাই এল এল লৈমরামনা য়ু কে সী সী এল ওইনামবু ৩-২দা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

সুর্জিৎকী অহানবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ওইনাম টিমগী গোল অনী অদুনা বিদ্যানন্দ অমদি এল রোবিন্দ্রোনা শান্নবগী ৫৬ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি আর কে রঞ্জননা ওইনাম টিমগী লনকাওরেং অহানবা হাফকী শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ক্লাসা এফ সী কৈনৌনা কে ৱাই এস সী এন্দ এল খা-জিরিবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

খা-জিরিগী দব্লিয়ু বিক্কিনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ক্লাসা এফ সীবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা এল তোমচানা শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি। টিম অনীনা স্কোর ১-১ লৈরবা মতুং এলিন য়াংলেমনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনটতা ক্লাসাগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি দব্লিয়ু জেম্সননা খা-জিরিগী দেবকান্ত অমদি কৈনৌগী জপুইলর টি ঐচ শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি। রেফরিনা মখা তানা ক্লাসাগী ওইনাম রামেশসু শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

# লিয়ুদমিলা সেমসোনোভানা ঝেং কিনৱেনবু মায়থীবা পীদুনা পান পেসিফিক ওপন টাইটল লৌখ্রে



টৌকিও, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সী): রসিয়াগী লিয়ুদমিলা সেমসোনোভানা চাইনাগী ঝেং কিনৱেনবু ষ্ট্রেট গেম ৭-৫, ৭-৫দা ঙসি শান্নখিবা পান পেসিফিক ওপনগী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

সেমসোনোভাগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা টুর্নামেন্ট ৪ শান্নখিবদা মহাক্কী অহুম্লকশুবা টাইটল লৌবনি। ৱর্ল্ড নম্বর ৩০ সেমসোনোভানা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ৱাশিংটন অমদি ক্লিভলেন্দদা টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখিবনি।

### কোরিয়া ওপন : একাটেরিনা অলেক্সএন্দ্রোভানা টাইটল লৌখ্রে




সিওল, সেপ্টেম্বর ২৫(এজেন্সী): রসিয়াগী একাটেরিনা অলেক্সএন্দ্রোভানা টোপ সিদেদ জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ঙসি শান্নখিবা কোরিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা ৭-৬ (৭-৪), ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী টাইটল লৌবা অসিনা মহাক্কী করিয়রদা টাইটল লৌবা অহুম্লকশুবনি।

রসিয়াগী সেকেন্দ সিদেদ অলেক্সএন্দ্রোভানা ফ্রেঞ্চ ওপনগী হান্নগী চেম্পিয়ন লাটভিয়াগী জেলেনাবু অনীশুবা সেটতা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা জেলেনানা মখোঙগী প্রোব্লেম লৈবদগী মেদিকেল টাইম আউট লৌখিবগা লোয়ননা মায়থীবা নংখি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবী অলেক্সএন্দ্রোভানা ফোঙদোকখিবদা, শান্নবা হৌরকপদা য়াম্না লুখিবনা ঐঙোন্দা নর্ভস চৎপনা মরম ওইরগা হৌরকপগী গেম অমা-অনীদি ফোর্ম তানা শান্নবা ঙমখিদে। অদুবু কোন্না শাংনা শান্নরবা মতুংদা ইমপ্রুভ লাকপা ঙমখিবনি হায়খি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 583**

**FM Vjacheslav Weetik (2423) - Enzo Federzoni (2158)**
**Titled Tue 30th Aug Early chess.com INT (1), 2022.08.30**

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 d5 4.cxd5 Nxd5
5.e4 Nxc3 6.bxc3 Bg7 7.Bg5 c5 8.Rc1 O-O
9.Nf3 Bg4 10.d5 Qd6 11.c4 Nd7 12.Be2 Bxf3
13.gxf3 a6 14.a4 e6 15.Qd2 exd5 16.cxd5 Rfe8
17.h4 h5 18.Kf1 Rab8 19.a5 b5 20.axb6 Rxb6
21.Kg2 Rb2 22.Rc2 Reb8 23.Rhc1 Bd4 24.Rxb2 Rxb2
25.Rc2 Rb1 26.Ra2...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 582 Ans. :**

45. ...Ng3+ The black knight clears the way for Black's rook to the square f1. The black knight clears the way for Black's queen to the square h5. 46. hxg3 Blocking square g3. Rf1+ 47. Rxf1 Rxf1+ 48. Kh2 Qh5# Highstriker mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com